# নুপাগী দবলসতা কলম্বীয়া অমসুং অর্জেন্টিনাগী পেয়র অনী ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



পেরিস, জুন ০৩ (এজেন্সী)ঃ

চহী অসিগী ২শুবা গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেন্স ওপনগী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ৩শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা কলম্বীয়াগী জোন সেবেসিয়ান কবাল অমসুং রোবার্ত ফারা লোয়ননা অর্জেন্টিনাগী পেয়র গুইদো পেলা অমসুং দিএগো স্বার্টচমেন মখোয় মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

জোন সেবেসিয়ান কবাল অমসুং রোবার্ত ফারানা ক্বার্টর ফাইনেলদা কজাকস্তানগী মিখেল কুকুস্কিন অমসুং বেলজিয়মগী জোরান ব্লৈজেনবু স্ট্রেট সেট অনীদা ৱাদনা ৬-২, ৬-২দা মায়থীবা পীখি। মখোয়না সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সকী জেরিমি চার্দি অমদি ফেব্রিস মার্টিনগা লম্বা তৌনগদৌরিবা য়ু এস এগী রজিব রাম অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসবুরিগী অথোইবগা থেংনরগনি।

অর্জেন্টিনাগী পেয়র গুইদো পেলা অমসুং দিএগো স্বার্টচমেননা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা ১০শুবা সিদেদ পেয়র ওইখিবা নেদর্লেন্দসকী জোন জুলিয়ন রোজর অমসুং রোমানিয়াগী হোরিয়র তেকাউবু ৬-৪, ৬-৪দা থোইরগা সেমি ফাইনেলদা সর্ভিয়াগী দুসান লাজোবিস অমদি জোনকো তিপসারেবিস অনীনা লম্বা তৌনগদৌরিবা জর্মনিগী পেয়র কেবিন ক্রাউলেজ অমদি এন্দ্রি মাইস অনীগা অথোইবগা শান্নগনি।

ঙসি নুপাগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ১ নোবাক জোকোবিস ৪ শুবা রাউন্দদা জর্মনিগী জান লেনার্দ স্ট্রুপপু ৬-৩, ৬-২, ৬-২দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। জপানগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৭ শুবা সিদেদ ওইরিবা কৈ নিসিকোরিনা ফ্রান্সকী বেনোই পাইরিবু ৬-২, ৬-৭ (৮-১০), ৬-২, ৬-৭ (৮-১০), ৭-৫তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চেম্পিয়ন স্পেনগী রাফেল নদালগা লম্বা তৌনগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ৪ শুবা সিদেদ ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসপু ৬-৪, ৬-৪, ৬-২দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্তিনা য়ু এস এগী সোফিয়া কেনিনবু ৬-৩, ৩-৬, ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। য়ু এস এগী শান্নরোয় মেদিসন কিজনা জেক রিপাব্লিক্কী শান্নরোয় কতারিনা সিনিয়াকোভাবু ৬-২, ৬-৪দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মিক্স দবলসকী কাংলুপ্তা পাকিস্তানগী ঐসাম কোরেসি অমসুং য়ুক্রেনগী নাদিয়া কিচেনোবনা চাইনিজ টাইপৈগী চান হান চিং অমসুং নেদর্লেন্দসকী ওলিভর মরাকপু ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গল মেচ অমদা ৫শুবা সিদেদ জর্মনিগী অলেকজেন্দর জোইরেপনা ইটালিগী ফাবিয়ানো ফোগনিনিবু ৩-৬, ৬-২, ৬-২, ৭-৬ (৭-৫)তা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা পোলেন্দগী আই সিৱাটেকপু য়াম্না কোম্না ৬-১, ৬-০দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৬

১) MURA হায়না খঙনবা শান্নবগা মরী লৈনবা লুপ অমা কুমজা ১৯৩৯দা শেমখি। মসিগী ওফিসতী মপান কাংজৈবুংগীময়াদা লৈরম্মী। MURA গী ফুল ফোর্ম পীয়ু।

২) য়ুরোপ মচা অমনা ওলিম্পিক্কী Speed Skating গী থৌরম অমদা সনাগী মেদল লৌখি। মহাক ওফিস অমদা Secretary ওইনা থবক তৌই। মহাক্না ওফিস কাবদা SKAT তোংলগা চৎলি।

৩) YURI BILONOH (Ukrain) অমসুং ADAM NELSON (USA)না কুমজা 2004 দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্কী নুং হুনবা তান্নবদা মিটর 2:16 চপ মান্নবা শাংনা লংই। মদুদা YURI BILONOH দা সনাগী মেদল পীখি। করিগীদমক মঙোন্দা সনাগী মেদল পীরিবনো?

৪) করম্বা লৈবাক্তা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমবু সরকারনা য়ুম নত্রগা লম মচেৎ অমা পীবগে?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা **hueiyensportsquiz@gmail.com** দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# রসিয়াগা শান্নগদবা অহানবা মেচকীদমক ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী টিম শেম শাবা লোইখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ০৩ (এজেন্সী)ঃ

হয়েংদগী রসিয়াগী সিটি সেন্ট পিটর্স বর্গতা হৌগদৌরিবা গ্রনাট কিন মোমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী টিমনা অহানবা মেচ অদু য়ুম্মু রসিয়াগা শান্নগদৌরিবা অদুগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী টিম ১২না গ্রুপ ৩ থোক্না খাইদোক্লগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। অতোপ্পা মমিং লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অজেন্টিনা, অর্মেনিয়া, টর্কি, গ্রিস, ইরান, কিরগিস রিপাব্লিক লোয়ননা টাজিকিস্তাননি। ইন্দিয়াগী টিমনা গ্রুপ এদা য়ুম্মু রসিয়া, বলগেরিয়া অমসুং মোলদোভাগা লোয়ননা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী টিম কোচ ওইরিবা ফ্লোইট পিন্টোনা মহাক্কী মীওই ১৮না শাবা টিম অদুদা য়াওরিবা শান্নরোয় পুম্নমকপু খুদোংচাবা পীদুনা মখোয়গী এক্সপোজর অদু মতিক চানা ফংলগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি ইন্দিয়ন এরোজকী চহী ১৬ মখাগী টিমগী শান্নরোয়শিং য়াওরি। মখোয় এ এফ সি অন্দর ১৬গী মাংজৌননা ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। মখোয়দনা নত্তনা অতোপ্পা শান্নরোয় খরসু ট্রায়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লবা মতুং খনখি।

ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিদা গ্রুপ এগী মেচ ৩ শান্নগনি। মদু লোইরবা মতুংদা গ্রুপ্তা ফংলকপা পোইন্ট মশিং য়েংলগা প্লে ওফ মেচ অনী লৈগনি। টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়ানা এ এফ সি অন্দর ১৯ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাইয়িং অদুগীদমক্তা শেম শাবা ওইনা শান্নরকপনি। মফম অদুগী অইং অশাগী ফিভম শান্নরোয়শিংদা অমাংবা পীরোই হায়না কোচ পিন্তোনা ফোঙদোকখি।

শান্নরোয় ১৮ অদুদি - গোল কিপ্পরদা প্রপসুখন গিল, নিরস কুমার; দিফেন্দরদা অকাস মিস্রা, মহমদ রাফি, সুমিত রাথি, সবাস অহমদ, জিতেন্দর সিংহ; মিদফিল্ডদা সঞ্জিৎ ষ্টেলিন, থৌনাওজম জিক্সন, খুমন্থেম নিংথোইঙানবা মীতৈ, মোইরাংথেম গিপসন, বিক্রম প্রতাপ সিংহ, রিকি জোনসাবোং, লালসানসিমা সাইলো, মহদম বাসিদ, পরাথোদি অমসুং রোবিন যাদব; ফোরৱার্দতা হরমিন প্রিট সিংহ, রোহিত তানু অমদি কোচ ফ্লোইট পিন্তোনি।

ইন্দিয়াগী অহানবা মেচ জুন ৪দা রসিয়াগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচনা জুন ৬তা মোলদোভাগা শান্নগনি। অদুগা অহুমশুবা মেচ অদুনা জুন ৯দা বলগেরিয়াগা থেংনগনি।

# কলম্বীয়ানা ন্যু জিলেন্দবু পেনালতিদা পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



লুবলিন, জুন ০৩ (এজেন্সী)ঃ

পোলেন্দনা য়ুম্মু ওইদুনা থা অসিগী ২৩দগী হৌরকখিবা চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ২২রক শুবা এদিসনগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা কলম্বীয়ানা ন্যু জিলেন্দবু পেনালতিদা ৫-৪দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

পোলেন্দগী লোদস ষ্টেদিয়মদা কলম্বীয়া অমসু ন্যু জিলেন্দ লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অঙনবা শরক্তা কলম্বীয়ানা চথখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় রিয়েসনা ১৩ শুবা মিনটতা একাউন্ট হাংদোক্তুনা ন্যু জিলেন্দবু মাংজিল থাদুনা চৎখি।

ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মখোয়গী হোৎনখিবগী মহয় শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা ফংখি। ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী জষ্টনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। পাঞ্জল চন্নবা পুখৎনখিবা এটেকশিং অদু কান্নবা ফংদনা মেচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিনখি।

চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না অপিবা মতমগী মিনট ৯০গী লোইখিবা ফাওবদা মায় পাকপা ঙম্নদবনা মিনট ১৫ অনীগী হাফ অনী হাপ্তুনা অমুক শান্নখি। এক্সত্রা টাইম অদুগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী পেনালতিনা মায় পাকপা টিম খন্ননবা হোৎনরকখি।

টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী কাউনখিবা অহানবা কিক ২গী মনুংদা ন্যু জিলেন্দলগী পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা কলম্বীয়াগীদি চনখিদে। কলম্বীয়াগী মায়কৈদগী ভিরা অমসুং কারবোনেরো লোয়ননা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগীনা সিংনা পাঞ্জল অমা চনখি অদুগা বেলদি ঙমখিদে।

কলম্বীয়াগী মায়কৈদগী মখা তানা কাউখিবা পেনালতি কিক মঙা পাঞ্জল ওইখি। পেরি, শান্দোবল, অঙ্গুলোং, বলান্তা অমসুং ক্বেষ্টা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী মখা তানা কাউখিবা পেনালতি ৫গী মনুংদা ৩ চনখি। মতা, মেকোৱাদ অমসুং কাকেস পাঞ্জল চনখি।

**কোরিজেন্দম**

ঙরাং লমায় অসিদা ফিফা য়ু-২০গী ৱর্ল্ড কপকী মেচ অমদা পোলেন্দনা ইটালি থোইখ্রে হায়বদু ইটালিনা পোলেন্দ ১-০দা থোইখ্রে হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

এডিটর

# ৱর্ল্ড আর্চরিনা আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া সস্পেন্দ তৌগনি হায়না ৱার্নিং পীখ্রে, মীখল জুন ২৪দা পাঙথোক্লবা হায়খ্রে

কোলকতা, জুন ০৩ (এজেন্সী)ঃ

ৱর্ল্ড আর্চরিনা আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াবু সস্পেন্দ তৌবগনি হায়না ৱার্নিং পীখ্রে। লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিগী মীখল জুন ২৪দা পাঙথোক্লনবা হায়খ্রে।

খোঙথাং অসি আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা থা অসিগী ৯দা তোঙান-তোঙানবা এসোসিয়েসন অসিগী মীখল অনী পাঙথোক্কনি হায়না লৌখৎলকপা খোঙথাং অসিগী মতুংদা ৱর্ল্ড আর্চরিনা সস্পেন্দ তৌবগী ৱার্নিং পীরকপনি। করিগুম্বা সস্পেন্সন অসি লৈরক্লবদি আর্চরি মশান্না অসিগী তোঙান-তোঙানবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপশিংদা ইন্দিয়াগী ফ্লেগশিংগী মখাদা ইন্দিয়াগী আর্চর অমত্তা শরুক য়াবা য়ারোইদৌরি। মদুগী মহুৎতা ৱর্ল্ড আর্চরি ফ্লেগকী মখাদা শরুক য়াহনগদৌরি।

ৱর্ল্ড আর্চরিনা রিকোগনাইজ তৌখিদ্রবা আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসলশিংগী চয়েৎনবা লৈরিবা অসিগী মতাংদা কাজি রজিব উদ্দিন অহমদ সাপোলবু মেদিএটরা ওইনা থবক হাপখি। সাপোলনা ন্যু দিল্লিদা আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়গী মচেৎ তারবা ফেক্সন অনীগা উনদুনা তোঙান-তোঙানবা মীখল অনী পাঙথোক্কদৌরিবা অসি থুপচিল্লবা মতুং জুন ২৪দা অপুনবা মীখল অমা পাঙথোক্লনবা ৱারী শান্নগদৌরি।

ৱর্ল্ড আর্চরিগী জেনরেল সেক্রেটরি টোম দৈলেননা ফোঙদোরকখিবদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা ফেদরেসন অমত্তা মতেং পাঙবগী পাঙ্গল অদু লৈশিল্লক্ত্রে। ৱর্ল্ড আর্চরিগী মেম্বর এসোসিয়েসনশিংবু মতেং পীদুনা ইন্টর্নেসনলগী থাক্তা থৱায় হকচাং য়াওনা শরুক য়ানবগীদমক শান্নরোয় আর্চরশিংনা মতেং পীগদৌরিবনি। ৱার্ল্ড আর্চরিগী ৱারোলশিং অসি ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়না কোপি অমমম পীখ্রবনি হায়রি।

# ইন্দিয়ন জুনিয়ন ৱুমেন্স হোক্কি টিমনা স্কোটলেন্দবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা লৈবাক ৪গী টুর্নামেন্টকী ফাইনেল চঙখ্রে

দব্লিন, জুন ০৩ (এজেন্সী)ঃ

রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দগী কোনুং দব্লিনদা পাঙথোক্লিবা লৈবাক মরীগী চহী ২১ মখাগী নুপীগী হোক্কি টুর্নামেন্ট ওইরিবা কেন্টর ফিটজরেল্ডদী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী টিম্না স্কোটলেন্দবু ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেচ অদু হৌবদগী মায়কৈ অনীমক্তগী অকনবা এটেক চথনদুনা লম্বা তৌনরকখি। ইন্দিয়াগী টিম মমাঙদা শান্নখিবা মেচ ২ মায় পাক্তুনা লৈবাক ৪ ওইবা মেচ অসিদা অফবা রেকোর্দ থমদুনা লাকখি।

ইন্দিয়ানা অহানবা পেনালতি কোর্নর অদু ফংখি। অদুবু স্কোটলেন্দ কিপ্পর এম্বর মুরেনা ঙাকথোকপা ঙমখি। মিনট খরা লৈরগা ইন্দিয়ানা অমুক দিফেন্সতা লৈখি। স্কোটলেন্দনা ফংখিবা পেনালতি কোর্নর অমা ইন্দিয়াগী গোল কিপ্পর খুসবুনা ঙাকথোকপা ঙমখি।

অহানবা ক্বার্টর পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। অনীশুবা ক্বার্টরদা অহানবা ক্বার্টর অদুগুম্না পেনালতি কোর্নর অমমম ফংনরবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। ইন্দিয়াগী টিম অসি টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নরকপা মতমদা অনীশুবা হাফতা হেন্না ফজবা ঙল্লি। মখোয়না টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনখিবা অদু ৩শুবা অমসু ৪শুবা ক্বার্টরদনি।

মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মমতাজনা ৩৬শুবা মিনটতা চনখি। স্কোটলেন্দগী মায়কৈদ ৫০ শুবা মিনটতা মার্জেরিসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি। অদুবু ইন্দিয়াগী গগনদিপ কোরনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু মেচ লোইরমদাইদা চনখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিদা মেচ ৩ শান্নবদা মেচ ৩ মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ানা য়ুম্মু লৈবাক আয়রলেন্দগা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা মেচতা পাঞ্জল ২-১দা থোইখি।

পনবা য়াই চুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা কানাদাবু মায়থীবা পীরমখ্রবনি। থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় লোরা ফোলিনা শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না ঙন্না মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রিথনা মেচকী ৩৫শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল ১-১দা লৈনরকখি। মহাক্না ইক্বোলাইজর অদু পেনাললিটি কোর্নর অমদগী চনখিবনি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং আয়রলেন্দগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেকশিং অদু ইন্দিয়াগী গোল কিপ্পর অমদি কেপ্টেন ওইরিবা মণিপুর মচা বিচুনা ঙাকথোকখি। মেচ লোইগদবা মিনট ৭তা ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়াগী শর্মিলানা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদু ২-১দা থোইখি।



# কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট শরুক য়াননবগীদমক ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম থাইলেন্দদা থুংখ্রে

বুরিরাম, জুন ০৩ (এজেন্সী)ঃ

এসিয়াগী ওইনা য়াম্না লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবীদমক ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম ঙসি থাইলেন্দদা থুংখ্রে।

ইন্দিয়গী ফুটবোল টিম অসিগী অনৌবা কোচ ওইরিবা ক্রোএসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা চীফ কোচ ওইবগী অহানবা এসাইনমেন্ট অদু হন্দক্কী কিংস কপ টুর্নামেন্ট অসিনা ওইরিবনি।

কোচ ষ্টিমেকনা ফোংদোকখিবদা ওপ সিজন ওইবা মরম্না ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা কিংস কপকী টুর্নামেন্ট অসি য়াম্না লায়বা টুর্নামেন্ট অমদি ওইরোইদৌরি। অদুবু ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা টিমশিংগীসু অদুমঙাই মখোয়সু ওফ সিসনদগী লাক্তুনা শান্নহগদৌরিবনি।

ইন্দিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ অদু বুরিরামগী চাঙ এরেনাদা কুরাকোদা লম্বা তৌনগদৌরি।

কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা মখাতানা ফোংদোকখিবদা কুরাকোগী টিম অসি ফিফাগী খ্বায়দগী নৌবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ৮২ শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। ইন্দিয়ানা মখোয়গা লম্বা তৌনবগা মায়পাক্নবা লৈজবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নগনি হায়খি।

ষ্টিমেকনা ফোংদোকখিবদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি চহী ৩৮গী মতুংদা হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইনা শরুক য়ারিবনি। মহাক্কী শান্নরোয়শিংনা ন্যু দেল্লীদা হৌখিবা নুমিৎ ১০নিরোম ট্রেনিং ফংখিবা অদুদা য়াম্না থৱায় য়াওনা শান্নখি। মখোয়না নোংমা কাংদনা য়াম্না কন্না হোৎনরবতদা মখোয়গী শান্নবগী থাক অদু ৱাংখৎপা ঙমগনি ঙায়খি।

ইন্দিয়গী টিম কেপ্তেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা জুন ৫গী মেচ অসি শান্নবা লোয়রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বায়দগী ইন্টর্নেসনল মেচ মশিং শান্নবা ঙম্বা শান্নরোয় অদু ওইগদৌরিনি। মহাক্না হান্না কেপ্তেন ওইরম্বা ভাইচুং ভুটিয়াগা মেচ ১০৭/১০৭ শান্নবা ঙল্লি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় অনী য়াওরি। মখোয় অনী অদুদি কমাম উদান্ত অমসুং টেলেম জেকিচান্দনি।



# শেন মেংনা নুপীগী টাইটল লৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটলনা চাইনাগী অতোপ্পা শান্নরোয় মা লোংনা ফংখ্রে

সেনঝেং, জুন ০৩ (এজেন্সী)ঃ

ইটর্নেসনল টেবল টেনিসকী মখাদা পাঙথোকপা আই টি টি এফ ৱর্ল্ড টুরগী মনুং চনবা চাইনা ওপন টেবল টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গল টাইটল অদু চাইনাগী শেন মেংনা লৌখ্রে। অদুগা নুপাগী সিঙ্গল টাইটল অদুনা আই টি টি এফ টুর্নামেন্টকী টাইটল ৮লক শুবা ওইনা মা লোংনা লৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গল ফাইনেল মেচ অদু নম্বর ২ সিদেদ ওইরিবা সেন মেং অমসুং চাইনা ওপনগী মমাঙ চহীগী টাইটল ফংবা ঙল্লিবী ৱাং মানয়ুবু গেম ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা প্লাটিনম চাইনা ওপন টাইটল লৌবা ঙমখি।

চাইনাগী গ্বাংদোং প্রোবিন্সতা লৈবা শেনঝেনদা পাঙথোকপা প্লাটিনম চাইনা ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী ফাইনেল মেচ অদুদা মমাং চহীগী চেম্পিয়ন ৱাং মানয়ুবু অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোয় শেন মেংনা অহানবা গেমদগী হৌরদুনা য়াম্না ফজনা শান্নখি। গেম অদু মহাক্না ১১-৩দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা ৱাংনা ১১-৮দা থোইদুনা গেম ১-১দা লৈনখি।

অহুমশুবা গেমদগী শেননা অমুক তান্নরক্তুনা ১১-৯ থোইখি। মদুগী মতুং ৪শুবা গেমদা ৱাংনা পোইন্ট ৮-৩দা হেন্দুনা লৈখিবা খুদোংচাবা অদু মাঙহঞ্জদুনা শেননা ১১-৭তা থোইদুনা ফাইনেল অদুদা গেম ৩-১দা হেন্দুনা লৈখি। ৫শুবা গেম অদুদা শেননা পোইন্ট ১১-৭তা থোইদুনা চহী অসিদা অনীরকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলূপ্তা চাইনাগী ওলিম্পিক অমসুং ৱর্ল্ড টাইটল লৌবা ঙল্লিবা মা লোংনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় লিন গাওয়োনৃবু গেম ৪-০দা মায়থীবী পীদুনা আই টি টি এফকী টাইটল ২৮লকশুবা অদু লৌবা ঙমখি।

থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদু মায়বপাকখিবগা লোয়ননা মা লোংনা সিঙ্গলস টাইটল খ্বায়দগী য়াম্না লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় অদু ওইখি। মহাক্কী মমাংদা বেলারসকী ব্লাদিমির সামসোনোবনা টাইটল ২৭ লৌদুনা রেকোর্দ হান্না থল্লম্বনি।

